ৱিমেন্স য়ু-২৩ ৱান দে ট্রোফি

# ফাইনেলদা ফোর্স ক্ষেত্রিগাও অমসুং থাও থাংমৈবন্দ লম্বা তৌনরগনি





**ইম্ফাল, এপ্রিল ১৭ (ঐচ এন এস):** মণিপুর ক্রিকেট এসোসিএশন (এম এন সী এ)না শীন দুনা চত্থরিবা অহানবা এম এন সী এ ৱিমেন্স অন্দর ২৩ ৱান দে ট্রোফিগী ওইনা ঙসি শান্নখিবা তোঙান-তোঙানবা সেমী ফাইনেল মেটচশিংদা ফোর্স ক্ষেত্রিগাওনা পি টি সী সী পাৎসোই অদুগা থাও থাংমৈবন্দনা শেদো থাংমৈবন্দ মায়থীবা পীরম্লগা ফাইনেল চঙবা ঙমখ্রে।

ঙসি অয়ূক অঙনবদগী হৌরগা এস ঈ দি ও সী গ্রাউন্দ কোংবা ধোবী লম্পাক্তা ফোর্স অমসুং পি টি সী সীগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী টোস পি টি সী সীনা ঙমদুনা হান্না বেটিং তৌদুনা শান্নখি। পি টি সী সীনা বেটিং তৌদুনা শান্নখিবা ইন্নিংস অদুগী ওইনা ওভর ৩২.৫ লোইবদা ৱিকেট ১০ মক তুরগা রন ৯৬ খক্তমক লৌবা ঙমখি। ফোর্সনা টার্গেট রন ৯৭ লৌবা ঙম্নবা বেটিং তৌদুনা শান্নখিবা ইন্নিংস অদুগী ওইনা ওভর ২৩.১ লোইবদা ৱিকেট ৪ খক তুরগা টার্গেট রন হেন্দোক্তুনা পূন্না রন ৯৯ লৌবা ঙমখিবদগী মেটচ অদু ৱিকেট ৬ তা মায় পাক্তুনা ফাইনেল চঙবা ঙমখিবনি।

অমরোমদা, থাও গ্রাউন্দ থাংমৈবন্দনা শেদো অমসুং থাওগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী টোস থাওনা ঙমদুনা হান্না বেটিং তৌদুনা শান্নখি। থাওনা বেটিং তৌদুনা শান্নখিবা ইন্নিংস অদুগী ওইনা ওভর ৩৩.৫ লোইবদা ৱিকেট ১০ মক তুরগা রন ১৯৮ লৌবা ঙমখি। শেদোনা টার্গেট রন ১৯৯ লৌবা ঙম্নবা বেটিং তৌদুনা শান্নখিবা ইন্নিংস অদুগী ওইনা টিম অদুগী বেটসমেন অয়াম্বনা মায়োক্নরিবা টিমগী বোলরশিংনা চত্থরকখিবা এটেকশিং মপূং ফানা মায়োক য়াদুনা শান্নবা ঙমখিদে। মদুনা মরম ওইরগা ওভর ২২.৩ লোইবদা শেদোগী ৱিকেট ১০ মক তুরগা রন ৬২ খক্তমক লৌবা ঙমখিবদগী মেটচ অদু থাওনা রন ১৩৬ তা মায় পাক্তুনা ফাইনেল চঙখিবনি।

# নুপামচাগীদা কলিকানা এম ৱাই এ থোইখ্রে



**ইম্ফাল, এপ্রিল ১৭ (ঐচ এন এস):** মণিপুর ষ্টেট কবাদ্দি এসোসিএশনগী মীৎয়েং মখাদা ভিলেজ ইদিফি টেনিয়র ওর্গনাইজেশন, হিয়াংখোংনা শীন্দুনা থা অসিগী ১৫দগী হৌরগা খা কাংজৈবুং লফুপাৎ তেরাদা চত্থরকখিবা ৩৬লক শুবা মণিপুর ষ্টেট সব-জুনিয়র বোইজ এন্দ গর্লস কবাদ্দি চেম্পিয়নশিপ অমসুং অহানবা ষ্টেট লেভেল সলাম কুমার সিংহ, সলাম তোম্বা সিংহ অমসুং সলাম অমর্জিৎ সিংহ মেমোরিএল জুনিয়র বোইজ এন্দ গর্লস কেশ প্রাইজ কবাদ্দি টুর্নামেন্ট ২০২৫গী ওইনা ঙসি শান্নখিবা তোঙান-তোঙানবা নুপামচাগী মেটচশিংদা কলিকানা এম ৱাই এ, ভেটোনা বি দি কে এ, আই সী দি এফনা বি দি কে এ, এ এম দি এ এস সী এ এমনা এস এল ৱাই ও, ভেটোনা এম ৱাই সী, কুম্বী য়ু পি এসনা এম ৱাই সী, এম ৱাই এনা এস এল ৱাই ও, বি দি কে এনা কুম্বী য়ু পি এস, আই সী দি এফনা এম ৱাই সী অদুগা ভেটোনা কুম্বী য়ু পি এস মায়থীবা পীখ্রে। নুপীমচাগী শান্নখিবা মেটচ অমদনা ভেটোনা ঐচ ৱাই ও থোইখ্রে।

## কৈশামথোং অমসুং ওইনাম ফাইনেলদা লম্বা তৌনরগনি

**ইম্ফাল, এপ্রিল ১৭ (ঐচ এন এস):** ককচিংতাবম অজিৎকুমার অমসুং মহাক্কী ইমুং-মনুংগী মীওইশিংনা স্পোন্সর তৌরগা য়াইস্কুল কাংখূৎনা শীন্দুনা মমাং থাগী ১৯দগী হৌরগা শ্রীশ্রী গোপালদেব মান্দপ (য়াইস্কুল কাংশঙ)দা চত্থরকখিবা অনীরকশুবা ককচিংতাবম কুঞ্জবী মেমোরিএল লীগ কম নোকআউট কেন্দ্রৱাইজ কাং টুর্নামেন্টকী ওইনা ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা সেমী ফাইনেল মেটচতা কৈশামথোং কেন্দ্রনা খুন্দ্রাকপম কেন্দ্র মায়থীবা পীরম্লগা ফাইনেল চঙবা ঙমখ্রে। ফাইনেলদা কৈশামথোং কেন্দ্র অমসুং ওইনাম কেন্দ্র অনীগী মরক্তা লম্বা তৌনরগনি।

ঙসি টিম অনীগী মরক্তা শান্নখিবা সেমী ফাইনেল মেটচ অদুগী ওইনা হৌগৎলকপদগী কৈশামথোংনা খরা হেন্না লাকচনা শান্নবা ঙমখিবগা লোয়ননা মেটচ অদু পাঞ্জল ২২-১৪দা মায় পাকপা ঙমখিবনি।


পনবা য়াবদি, ঙরাং ওইনাম কেন্দ্র অমসুং নম্বোল কেন্দ্রগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনা ওইনাম্না পাঞ্জল ২৪-১৩দা নম্বোল মায়থীবা পীরমখিবনি।

## ব্রদর এফ সী অমসুং দোনা এফ সী মায় পাকখ্রে

**ইম্ফাল, এপ্রিল ১৭ (ঐচ এন এস):** ঙরাংদগী হৌরগা ইমা ইমোইনু ঈরাৎ থৌগল লূপ সেক্তানা এস এস সী প্লেগ্রাউন্দদা চত্থরকখিবা ৬লক শুবা সেক্তা ট্রোফি ২০২৫গী ওইনা ঙসি শান্নখিবা তোঙান-তোঙানবা মেটচশিংদা ব্রদর এফ সী, দোনা এফ সী অমসুং তরংচা এফ সী মায় পাকখ্রে।

ঙসিগী অহানবা মেটচ ওইনা ব্রদর এফ সী সেক্তানা তাম এফ সী সেক্তাবু লাকচনা পাঞ্জল ৫-০দা মায়থীবা পীরমখিবনি। অনীশুবা মেটচ ওইনা দোনা এফ সী কোইরেঙ্গৈনা এস দি সী তাইগর কেম্পপু পাঞ্জল ২-০দা অদুগা ঙসিগী অরোইবা অমদি অহুমশুবা মেটচতনা তরংচা এফ সী পুখাওনা এস দল্লিয়ু ও সেক্তাবু পাঞ্জল ৫-০দা মায়থীবা পীরমখিবনি।

## HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



**PUZZLE NO. 1448**

Mark Waterfield (1892) - CM Alan J Walton (2034)
Wightlink Int Masters Ryde ENG, 2025.02.20

| | | | |
|---|---|---|---|
| 1.e4 e6 | 2.d4 d5 | 3.Nd2 Be7 | 4.Ngf3 Nf6 |
| 5.e5 Nfd7 | 6.Bd3 c5 | 7.c3 b6 | 8.Nf1 Ba6 |
| 9.Bxa6 Nxa6 | 10.Ng3 b5 | 11.O-O c4 | 12.Ne1 Nb6 |
| 13.Qg4 g6 | 14.Bh6 Kd7 | 15.Qf4 Qg8 | 16.Nf3 Bf8 |
| 17.b3 Bxh6 | 18.Qxh6 Qf8 | 19.Qf4 Qe7 | 20.Rfb1 Nc7 |
| 21.Nd2 Rab8 | 22.a4 bxa4 | 23.bxc4 dxc4 | 24.Nge4 Ncd5 |
| 25.Qf3 Rhc8 | 26.Nc5+ Ke8 | 27.Nde4 Kf8 | 28.Nd6 Rc6 |
| 29.Rxa4 Kg7 | 30.Nxc4 Nxa4 | 31.Rxb8 Nxc5 | 32.dxc5 Qxc5 |
| 33.Nd6 Qxc3 | 34. … | | |

**QUESTION : White to win**


**Puzzle 1447 Solution :**

**28. …Qxf2** Double attack **29.Bd3**
29.Be3 Qxb2
29.Qb6 Qxb6
29.gxf3 Bxf3+ 30.Bg2 Bxg2#
29.Rd1 Qg1#
**29. ...Ne1** Mating net The black knight attacks White's bishop, which is defending the square f1. **30. Bxe4**
30.Qxg7+ Kxg7
30.Rxe1 Bxg2#
30.Bxe1 Bxg2#
**30. ...Qf1#** Back-rank mate
**0-1**

মমি ৱারী

## ৱাখল/হকচাং

মুতুম কনিস্কা




एफएसएसएआई fssai
स्वास्थ्य एवं परिवार कल्याण मंत्रालय MINISTRY OF HEALTH AND FAMILY WELFARE


**ফেসিং ফূদ সেফটি ইস্যুস?**

খূদোংচাদবশিং সোল্ভ তৌবদা মতেং পাংগে অদোমগী খূদোংচাদবশিং লোদ্জ তৌ

fssai

ফূদ সেফটি কনেক্ট এপ্তা

'ফূদ সেফটি কনেক্ট' এপ্ গূগল প্লে ষ্টোর অমসুং এপ্ ষ্টোরদগী দাউনলোদ তৌ নৎত্রগা ক্যু আর কোদ স্কেন তৌ



অতোপ্পা ফিচরশিং

- অরানবা ক্লেমশিং রিপোর্ট তৌবা
- অপীকপা বিজিনেসশিংগী রেজিষ্ট্রেশন এপ্লাই তৌবগী খূদোংচাবা
- ফূদ বিজিনেস থিবা অমসুং খঙদোকপগী খূদোংচাবা
- ফূদ বিজিনেসশিংগা থুনা মরী লৈনহনবা
- ফসাইগী অপদেটশিং/ইভেন্টশিং/প্রেস রিলিজ

ফূদ সেফটি কনেক্ট পোর্টেল অসি মখাগী অসিদসু ফংবীগনি
https://foscos.fssai.gov.in/consumergrievance

হেন্না অকুপ্পা মরোলগীদমক:
এফ ও এস সী ও এসতা চঙবীয়ু [foscos.fssai.gov.in]
ফসাইগী হেল্পলাইন @ ১৮০০১১২১০০ দা কোল তৌ
অয়ুক পুং ৭ তগী নুমিদাং পুং ১১ ফাওবদা
helpdesk-foscos@fssai.gov.in দা ইরকউ

fssaiindia fssai fssai_safefood fssaiindia fssai_india

CBC 17163/12/0005/2526



वित्त मंत्रालय MINISTRY OF FINANCE

**ক্বার্টরলি রিটর্ন মন্থলি পেমেন্ট (ক্যু আর এম পি)**

অপীকপা টেক্সপেয়রশিংনা বিজিনেস তৌবদা হেন্না লায়হন্নবা মাঙলোমদা খোঙথাং অমা শেনবা চহী ২০২৪-২৫গী মনুংদা চহীগী টর্ন ওভর এগ্রিগেটতা লুপা ক্রোর ৫ ফাওবা ওইবশিংগী

ক্যু আর এম পি স্কিমগী খূদোংচাবা ফংনিংবা ইলিজিবল ওইবা টেক্সপেয়রশিংনা মখাদা পীরিবা ষ্টেপশিং অসি জি এস টি পোর্টেল (www.gst.gov.in) দা পাঙথোকউ

টেক্সপেয়রগী ইন্টরফেসতা লোগ ইন তৌ

গো টু সর্ভিসেস > রিটর্ন > ওপ্ট-ইন ফোর ক্বার্টরলি রিটর্ন ওপশন

ক্যু আর এম পি স্কিম হান্না ফংলবা টেক্সপেয়রশিংনা স্কিম অসিগীদমক অমুক হন্না এপ্লাই তৌবগী মথৌ তাদে

খূদোংচাবশিং

- ফোর্ম জি এস টি আর-১ অমসুং জি এস টি আর-৩বিদা জি এস টি ষ্টেটমেন্টশিং/রিটর্নশিং থা ৪গী মনুংদা অমুকখক ফাইল তৌ
- ফিক্স সম মেথদ (প্রি-ফিল্ড চলান) শীজিন্নদুনা থাগী টেক্স থীদোকউ নৎত্রগা সেল্ফ-এসেসমেন্ট মেথদ (আই টি সী এদজষ্ট তৌরবা মতুং লৈহৌবা টেক্স) শীজিন্নদুনা হৌগৎলকপা থা অনীদা
- লায়না লৌশিনবা য়াবা অমসুং থাদোকপা য়াবা স্কিম
- ইনভোইস ফর্নিশিং ফেসিলিটি (আই এফ এফ)কী খূদোংচাবশিং নুংঙাইনা ফংউ
- আই টি সীগী সেল্ফ এসেসমেন্ট অমসুং টেক্স ক্বার্টর খূদিংমক্কী অমুক্তং

শেনবা চহী ২০২৫-২৬কী ক্যু ১দগী ক্যু আর এম পি স্কিম ফংনবগী অরোইবা তারিখ

এপ্রিল ৩০, ২০২৫

ইলিজিবল ওইরবা রেজিষ্টর তৌরবা মীওইশিংনা ক্বার্টর অমহেক্তগী অনীশুবা থাগী অহানবা নুমিৎতগী হৌরগা থংনবা ক্বার্টরগী অহানবা থাগী অরোইবা নুমিৎ ফাওবদা য়াগনি।

হেন্না অকুপ্পা মরোলগীদমক, চানবীদুনা নোটিফিকেশন নং. ৮১দগী ৮৫/২০২০-সেন্ট্রেল টেক্স এন্দ সর্ক্যুলর নং. ১৪৩/১৩/২০২০/জি এস টিদা ১০.১১.২০২০ দগী য়েংবীয়ু

ক্যু আর এম পি স্কিমগী অকুপ্পা মরোলগীদমক চানবীদুনা স্কেন তৌ

জি এস টি রিটর্ন ফাইলিং : মসি থুই, লায় অমসুং লুহন্দে

CBC 15502/13/0002/2526

সেন্ট্রেল বোর্দ ওফ ইন্দাইরেক্ট টেক্সেস এন্দ কষ্টম্স

@cbicindia @cbic_india @cbicindia @CBICINDIA CBIC India


Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com